# টোকিও ওলিম্পিককী মঙলান মঙফাওননবা কার ফাওবা য়োনখি, ফুরিৎখাউদা শেল অমত্তা লৈত্রে : শুশিলা



চেন্নাই, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা জুদো দিসিপ্লিনগী ওইনা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইরিবী লিকমাবম শুশিলানা মহাক্কী পূন্সিদা ওলিম্পিককী মঙলান অদু মঙফাওননবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চঙগদবা শেনফমশিং অদু মশানা পুথোকচনবা হোৎনরকপদা কার ফাওবা য়োনখি। ফুরিৎখাউদা শেল অমত্তা লেমহৌদ্রে হায়না ঙরাং টোকিও খোঙশাল্লমদাইদা মরী লৈনবা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখ্রে।

শুশিলানা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, মহাক্কী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল অমদি শেল থাদদুনা জুদো মশান্না অসিদা মমিং লৈরবী শান্নরোয় অমা ওইননবা হোৎনরকখি। পীক্লি ওৈদগী মহাক্কী মখুরা ইন্টরনেসনল জুদো প্লেয়র ওইরম্বতা নৎতনা কোচসু ওইরমখিবা দিনিককী মখাদা মহাক্কী ময়াম্বা সিলাক্সিগা লোয়ননা জুদো মশান্না অসিদা খোঙদারকখি হায়না ফোঙদোরকখি। সিলাক্সিনা ইম্ফালদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা জুদো মশান্নগীদমক মিং চন্দুনা শুশিলাগা লোয়ননা কিলোমিটর ১০ হেন্না সাইকল তোংদুনা চৎলকখি। মহাক্না সাই সেন্টরদা ফজবা ঙল্লকপদগী পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল সেন্টর ওফ এক্সলেন্সতা খোঙ থাংজিনখি। মতম অদুদগী হৌরগা মহাক ওলিম্পিয়ন অমা ওইদবা য়াদে হায়বগী অচৌবা মঙলান অদু থম্বা হৌরকখি।

পটিয়ালাদা লৈবা কোচ জিবন শর্ম্মনা শুশিলাদা অকনবা থাজবা থম্বগা লোয়ননা মহাক্কী হনবা লৈতবা থৌনা লোয়ননা মেটচ অমা মায়থীবা তারবসু মদুদা শোয়খিবশিং অদু নৈননিংবগী ৱাখল্লোন অদুদা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ ফংলবা কোচ অসিনা মীৎয়েং চঙলকখিবনি।

কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটগোরিদা শরুক য়ারিবী লিকমাবম শুশিলানা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসন পূন্নমকমায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৪ কমনৱেল্থ গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা থংনবা চহীদা পাঙথোকপা জুনিয়র এসিয়ন জুদো চেম্পিয়নশিপতসু ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কুমজা ২০১৮দা অশোকপা লৈরকপদগী থা ৭ লোম শান্নবা য়াখিদবা মরম্না এসিয়ন গেমসকী ট্রায়ল মায় পাকপা ঙমখিদে। মতম অদুদা শুশিলানা মশান্না অসিদগী তোক্লসিরা হায়বা ৱাখল ফাওবা ফাওখি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু কোচ জিবননা থৱায় হাপ্তুনা কুমজা ২০১৮গী হোং কোং ওপনদা ফজবা ঙমদুনা সিলভর মেদল ফংখি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুগী কুমজা ২০১৯দসু মহাক সিলভর মেদল ফংখি।

ফেদরেসনননা শান্নরোয়শিংগী-দমক্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নগুম্বা নৎত্রগনা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকুম্বা থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টশিং অদুদা স্পোন্সর তৌবা অদু নৎতনা অতোপ্পা ক্বালিফায়িং ইভেন্টশিংগী ওইবা গ্রান্দ প্রি অমদি গ্রান্দস্লামশিংগীদি স্পোন্সর তৌদবনি। মরম অদুনা শুশিলানা মশাগী কার য়োনবা অমদি লোন কয়া লৌদুনা শরুক য়াবা হৌখি। মহাক কন্টিনেন্টেল কোটাদা এসিয়াগী ওইনা ৭শুবা থাক্তা লৈখিবদগী ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইরকপনি। মহাক্কী অহানবা বাউট জুলাই ২৪দা লৈ।

# টোকিও য়ৌদ্রিঙৈদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ট্রেনিং কেম্প অদু কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈবদগী লোকদাউন থমখ্রে



কের্ন্স, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লৈবাক অদুগী টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াগদৌরিবা কন্টিঞ্জেন্ট পূন্নমক কের্ন্স সিটিদা কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈরকপদগী ট্রেনিং তৌফমশিংগী কা-কাদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈখ্রে।

খোঙথাং অসি সিটি অদুদা মেলবর্নদগী য়ৌরকখিবা ওফিসল অমা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবগী রিপোর্ট লাকপনা মরম ওইদুনা লৌখৎখিবনি হায়রি। অদুবু অনীশুবা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরে হায়বগী পাউসু ঙরাং পীরকখিবনি। মমাংদা ট্রেনিং কেম্প অদুদা এথলিটশিং অদুনা ৱার্ম অপ ইভেন্টশিংদা শরুক য়াহনবগী খুদোংচাবা পীরম্বনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী চীফ মেদিকেল ওফিসর দেবিদ হ্যুজনা ফোঙদোকখিবদা, চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী ওইনা হৌজিক-হৌজিক্কী খোঙথাংদি মখোয়গী কাদগী হেন্দো-কহন্দবনি। মহাক্না মখা তারদুনা কোভিদ-১৯ অসি মখোঙ পান্দে। মীওই অমনা লেংদ্রবদি মখোয়সু লেংলোইদৌরিবনি। মখা তাবা খোঙথাংশিং পায়খৎত্রিঙৈগী ওইনদি কাদগী হেন্দোক্লোইদবনি হায়রি।

মরকঅসিদা, টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াগদবা সাউথ অফ্রিকাগী ফুটবোল টিমগী শান্নরোয় অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়রি। মখোয়দা নৎতনা টোকিও য়ৌরকপদা টিম অদুগী ভিদিও এনালিষ্ট মারিও মসাসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপনি। পূন্না মীওই অহুম পোজিটিভ ওইরে হায়না সাউথ অফ্রিকা ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি।

জপান য়ৌরক্লবা মতুং এথলিট অমদি ওফিসল পূন্নমক নুংতিগী টেষ্ট তৌথোক্কদবনি। মেম্বর অহুম পোজি-টিভ ওইরকপা অসিনা হৌখিবা নুমিদাংদা ট্রেনিং পাঙথোক্কদবা অদু য়াদবনা শান্নরোয় অমদি অতোপ্পা ওফিসলশিং মখোয়-মখোয়গী কাদা আইসোলেট তৌদুনা লৈ হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ওলিম্পিক গেমস ভিলেজদা এথলিট অনী অমসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ওফিসলনা ফোঙদোরক্লি। লৈবাক অমসুং শান্নরোয়শিং অদুগী মমিং ফোঙদোক্ত্রবসু পোজিটিভ ওইরবশিং অদু মীরমগী মেম্বর ঙাক্তনি হায়রি। মীরমগী মেম্বর খক্তা নৎতনা জপানগী এথলিট অমগা ওলিম্পিককী সপোর্ট ষ্টাফ ৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বগী পাউ শগোলশেন নুমীৎতা লৈখ্রবনি।

সাউথ কোরিয়াগী ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বর ওইরিবা রু সিয়ুং মিনসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা ফোঙদোরক্লি। মহাক মশামক্না ইন্সটাগ্রামদা ইরকখিবা ৱারোলদা টোকিওদা লৈবা নারিতা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলবগা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপনি। ভেক্সিন কাপখিবা মরম্না মহাক সিম্পটম অমত্তা উথোকপদি লৈতে হায়না ফোঙদোক্লদুনা ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিদা পোজিটিভ ওইরক্তুনা পীরিবা অদুদা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

# অহানবা আই এ এস ওফিসর ওইনা পেরালিম্পিক্সতা সুহাস য়াওরগনি

লক্ষ্নৌ, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী নোইদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ওইরিবা আই এ এস ওফিসর সুহাস এল ৱাইনা অহানবা ওফিসর অমা ওইনা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরালিম্পিক্সতা শরুক য়ারগনি।

কুমজা ২০07 বেটচকী আই এ এস ওফিসর অসিনা য়ু পিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মরুওইবা থৌদাং কয়া লৌদুনা মথৌ তৌখি। হৌজিক-হৌজিক নোইদাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ওইরিবা সুহাস এল ৱাইনা কুমজা ২০১৯-২০দা মহাক্কী মায়কৈদগী উৎখিবা ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদ্দরেসনগী মায়কৈদগী মহাকপু টোকিও পেরালিম্পিক্সকীদমক্তা ইনভাইটেসন তৌরকপনি।

হৌখিবা সিজনদা সুহাসনা শরুক য়াখিবা ইন্টরনেসনল পেরা বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংদা গোল্ড ৩, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল কয়ামরুম লৌবা ঙমখি। মহাক পেরা বেদমিন্টন শান্নরোয় অমা ওইনা মীয়াম্না নিখিল লখ্বানি হায়না খঙনৈ। মহাক্না ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা সিভিল সর্ভেন্ট অমনা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা পেরালিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ওইগদৌরি। পাউগী চেনেল অমগা ৱারী শানবদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা পেরালিম্পিক্স শরুক য়াবা ঙম্বগী খূদোংচাবা ফংবা অসি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি। লোয়ননা মহাক্না পেরালিম্পিক্স য়াওনিংলকপগী মঙখিবা মঙলান অদুসু মঙফাওনরগনি হায়খি।

উত্তর প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোভিদকী ফীভম খরা হন্থরকপদগী মহাক পেরালিম্পিক্সকীদমক্তা প্রেক্টিস তৌবগী মতম খরদি ফংলগনি হায়না পানরি। ওগষ্ট ৮গী মতুংদা পেরালিম্পিক্স টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# জোকোবিচ, ষ্টিফানোস, নাওমি ওসাকা অমসুং এস্লি বার্টিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টেন্নিসকী লম্‌দা মীয়ামগী পূক্নিং হেন্না চিংশিনগদৌরি









টোকিও, জুলাই ১৮(এজেন্সী): থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা টেন্নিস মশান্নগী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নুপাগী শান্নরোয় সর্ভিয়া মচা নোভাক জোকোবিচ, নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি, য়ূম্বু লৈবাক অদুগী নম্বর ৱান শান্নরোয় নাওমি ওসাকা লোয়ননা গ্রিসকী নৌনা মমিং লৈখৎলক্লিবা শান্নরোয় ষ্টিফানোস সিসিপাস য়াওরকপনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা দিসিপ্লিন অসিগী হান্না লাউথোকখিবা লিষ্টশিং অদুদগী হেনগৎতুনা মীয়ামগী পূক্নিং হেন্না চিংশিনগদৌরি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা নোভাক জোকোবিচতা নৎতনা ৱর্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভসু য়াওরি। গ্রিসকী চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা নোভাক জোকোবিচকী মখূৎতা মায়থীহৌবা ষ্টিফানোস সিসিপাস য়াওরি। মহাক মশাগী করিয়রগী ওইনা অহানবা ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরিবনি। নুপাগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংননবা লম্বা তৌনগদৌরিবা অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা ওলিম্পিককী গোল্ড মেদল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে, জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টসমেনসু য়াওরি। অদুবু ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় অলেক্স দি মিনোর কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী হান্না শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বা অদু ৱিদ্রো তৌখ্রে।

শরুক য়ারোইদবা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর, স্পেনগী রফেল নদাল লোয়ননা কানাদাগী মিলোস রাওনিক য়াওরি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অমদি হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা টাইটল লৌবা ঙমখিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি, চহী অসিগী অহানবা টুর্নামেন্ট ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ৱিন্নর নাওমি ওসাকাদা নৎতনা চেক রিপব্লিককী বাবোরা ক্রাইচিকোভা য়াওগদৌরি।

# ইন্দিয়ানা স্রি লঙ্কাবু অহানবা ৱান দেদা ৱিকেট ৭তা থোইখ্রে

কলম্বো, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): স্রি লঙ্কাদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ঙসি শান্নখিবা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজগী অহানবা অদু ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখ্রে।

কলম্বো সিটিদা লৈবা আর প্রেমাদাসা ষ্টেদিয়মদা স্রি লঙ্কানা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৬২ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী হৌরকপদা কা-হেন্না ফজবা ঙমদ্রবসু মিদ্দল ওর্দর বেটসমেনশিংনা স্কোর তৌবা ঙমখিবদগী রন ২৬২ য়ৌরকখি। ৮শুবা বেটসমেন করুনা রটনেনা বোল ৩৫দা রন ৪৩ লৌরম্বা, ৬শুবা বেটসমেন কেপ্টেন সনাকানা রন ৩৯, ৫শুবা বেটসমেন অশালঙ্কানা রন ৩৮ লোয়ননা ওপনর অভিস্কানা রন ৩২ লৌরমখিবশিং অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর দিপক চাহর, য়ুজবেন্দর চাহল অমসুং কুলদিপ য়াদবনা বেটসমেন অমমম্ আউট তাহনবা ঙমখি।

মায় পাক্লনবা ইন্দিয়ানা রন ২৬৩গী টার্গেট অদু ওভর ৩৭কী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন অহুম আউট ওইরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৭তা থোইখিবনি। কেপ্টেন সিখর ধৱননা আউট ওইদনা রন ৮৬ লৌবা ঙমখিবা অদু য়াম্না মরুওই। ওপনর পৃথিবী সোগী রন ৪৩সু পনবা য়াই। লোয়ননা ৩শুবা বেটসমেন ইশান্ত কিষননা বোল ৪২দা রন ৫৯ লৌরম্বা অদু য়াম্না মরুওইখি। ৫শুবা বেটসমেন সুরিয়া কুমার য়াদবনা আউট ওইদনা রন ৩১ লৌরম্বা অদুসু পনবা য়াই।

সেরিজ অসিগী ওইনা ৱান দে মেটচ অহুম শান্নগনি। মদু লোইরবা মতুং জুলাই ২৫দগী হৌরগা টি-২০ মেটচ ৩ অমগী লম্বাসু মখা তানা শান্নগদৌরি।

# স্পার্কাসেন চেছ ট্রোফিদা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন অনন্দ অমসুং রসিয়াগী ক্রামনিক দ্রো চৎখ্রে




দোর্টমুন্দ, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): মমাংদা ৱর্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দ অমসুং রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভ্লাদিমির ক্রামনিকনা গেম ৪গী ওইবা লম্বা অমদা শরুক য়াদুনা নো কাস্লিং মেটচ ফোর দি স্পার্কাসেন চেছ ট্রোফিদা অহুমশুবা গেম অদু দ্রো চৎতুনা ঙসি অথেংবদা দিসাইদিং গেম শান্নরগনি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা শান্নরোয় অনীনা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু মায় পাকপা ঙমখি। মদুগী মতুংদা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শান্নবা অনীশুবা গেম অদু নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী লেংমান্নখিদুনা মায় পাকপা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎখি। অদুগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা গেম অদুদা অনন্দনা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরবসু নো কাস্লিং মেটচ ওইবা মরম্না পোজিসন ফজরম্লবসু মায় পাকপা ঙমদবদগী দ্রো চৎখিবনি।

অহুমশুবা গেম অদুদা অনন্দগী মায়কৈদগী ইংলিশ দিফেন্স গেম শান্নবা হৌখি। মদুনা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভ্লাদিমির ক্রামনিককী মায়কৈদা প্রেসর পীশিন্দুনা লৈবা ঙমখ্রবসু ক্রামনিকনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা গেম অদু দ্রো চৎখিবনি।

গেম অহুম লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দনা পোইন্ট ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা মরম্না হোরেন অথেংবগী মরিশুবা গেম অদুদা দ্রো চৎলবসু মহাক্না মেটচ অদু থোইরগনি।

কাস্লিং হায়বসি চেছ মশান্নদা য়াম্না মরুওইবা শরুক অমা ওইরি। চেছকী পিসশিংগী মরক্তা কিংবু কন্ননবা রুককা খোঙচৎ অমুক্তদা মফম হোংদোকপা য়াবগী চৎনবী অদুনি। হায়রিবা চৎনবী অসি হোংদোক্তুনা মশান্না অসিদা অনৌবা চাংয়েং অমা তৌরগা স্পার্কাসেন চেছ ট্রোফি অসিদা শরুক য়ারিবশিংনা কাস্লিং তৌবা য়াদনা মখোয়-মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবা অদু উথোক্লদুনা মায় পাক্লনবা হোৎনরকপনি।

# 'ইরমদমগী শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিক্সতা মিংচৎ উরোং পুরক্লসনু'

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস): টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মণিপুর ইরমদমগী শান্নরোয় মঙানা শরুক য়াগদৌরিবা অসিদা মিংচৎ উরোং পুরক্লসনু হায়না অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এ আই এম এস)কী মায়কৈদগী য়াইফ থৌনী পীরক্লি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি হৌখিবা চহীদা টোকিওদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী ১ য়েথোক্লগা থা অসিগী ২৩দগী হৌননবা অরোইবা শেম শাবা হোৎনরিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পূন্না শান্নরোয় ১২৭ শরুক য়াগদৌরিবা অসিগী মনুংদা পীক্লবা ষ্টেট মণিপুরদগী শান্নরোয় ৫ য়াওরি। মসিদসু হেন্না চাওথোক্লিং-ঙাই ওইরিবা ৱাফমদি ৱেথলিফটিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা ক্বালিফাই ওইখিবা শান্নরোয় অদু মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাই চনুনি। মহাক্তা নৎতনা জুদো দিসিপ্লিনগী ওইনসু ইন্দিয়াগী মীহুৎ অমখক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবা অদু মণিপুরগী লিকমাবম শুশিলানি।

বোক্সিং মশান্নদা মালেম শীনবা থুংনা খঙনরবা এম সী মেরি কোমনা মহাক্কী অরোইবা ওলিম্পিক গেমস ওইনা শরুক য়াদুনা ২০১২ লন্দনদা ফংখিবা ব্রোঞ্জ অদুদগী হেনগৎনবা হোৎনগদৌরি। হোক্কীগী লম্‌দা এক্সপরিয়েন্স লৈরবী পুখ্রম্বম সুশিলা চনুনা মহাক্কী করিয়রগী অনীরকশুবা ওলিম্পিক গেমস অদু শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরি। লোয়ননা শংলাকপম নিলাকান্ত শর্ম্মনা নুপাগী টিমদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মখোয় মঙামক্না মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংগা মায়োক্লরকপা মতমদা মতিং থোক্না অশোয়-অঙাম য়াওদনা শান্নবা ওইরসনু হায়না এ আই এম এসনা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুরগী বোক্সর টিংমিলা দোঙেল য়ুঠ নেসনল চেম্পিয়নশিপকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে



সোনিপট, জুলাই ১৮(এজেন্সী): হরয়ানাগী সোনিপটতা লৈবা দেল্লী পব্লিক স্কুলগী বোক্সিং এরিনাদা ঙসিদগী হৌখিবা য়ুঠ নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারিবী মণিপুরগী বোক্সর টিংমিলা দোঙেলনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলূপ্তা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।


চেম্পিয়নশিপ অসি মরিরকশুবা এদিসন ওইনা পাঙথোক্লিবনি। মসিনা লৈবাক অসিদা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা বোক্সিংগী দোমেষ্টিক দিপার্টমেন্ট অমত্তা চহী অমা হেন্না পাঙথোক্লদ্রবা মতুং নৌনা হৌরকপনি। চেম্পিয়নশিপ অসি ঙসিদগী হৌরগা জুলাই ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। অদুগা জুনিয়র বোইজকী অনীশুবা এদিসন অমসুং জুনিয়র গর্লসকী মরিশুবা এদিসন অদুনা জুলাই ২৬তগী হৌরগা জুলাই ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

টুর্নামেন্টশিং অসিনা লাক্কদৌরিবা এ এস বি সী য়ুঠ এন্দ জুনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সেলেক্সন ইভেন্টশিং অদু ওইগদৌরি। বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অজয় সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি য়ুনিট ৩৪ লোয়ননা লদাখ অমদি সর্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দতগী নুপামচা ৩০০ অমদি নুপীমচা ২০০ হেনবনা শরুক য়াগদৌরি।

ঙসিগী অহৌবা নুমীৎকী কিলোগ্রাম ৪৮ কাঙলূপকী য়ুঠ কম্পিটিসন অদুদা মণিপুরগী টিংমিলা দোঙেলনা কর্নাটাকাগী মায়কৈদগী শান্নরক্লিবী লনচেনবী থোঙ্গ্রামবু স্কোর ৩-২দা মায়থীবা পীখি। নীংশিংবা য়াবদি, টিংমিলা কুমজা ২০১৮দা পোলেন্দদা পাঙথোকপা সাইলেসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী লম্‌দা মমিং থম্বা হৌরকখিবনি।

EMPLOYMENT NEWS
ꯑꯦꯟ.ꯇꯤ. ꯃꯇꯦꯡ
IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM
Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490
HL-B/6970/28/6-18/7

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 174**

**Balcerak, Philipp (2073) - Gasthofer, Alexander (2212)**

**DEM U16 Ueberlingen (2), 2000.06.04**

1.e4 d6 2.d4 Nf6 3.Nc3 e5 4.Nf3 Nbd7
5.Bc4 Be7 6.O-O O-O 7.Re1 c6 8.a4 Qc7
9.h3 b6 10.Bg5 a6 11.Ba2 Rb8 12.Nh4 exd4
13.Qxd4 Nc5 14.Nf5 Bxf5 15.exf5 d5 16.Qe3 Bd6
17.Bxf6 gxf6 18.Bxd5 cxd5 19.Nxd5...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 173 Ans. :**

31. Kc2 Rxb2+The black rook decoys White's king.
32.Kxb2 Rb8+ 33. Kc3 Qa1+
33. ...Qe1+ 34. Rd2 Qa1+ 35. Kc2 Rb2+
35. ...Qb1+ 36. Kc3 Rb3#
36. ...Qb3#
36. Kc3 Qxa3#
34. Kc2 Rb2+
34. ...Qa2+ 35.Kc3 Rb3#
35. Kc3 Qxa3#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com